**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-12-2024)**

**খোঙজং (এল)ঃ** মনিপুরদা চহি অনি ফাজিল্লক্লবা ইরাং অসি হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী মায়োক্তা ঙসিদগী দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা ওল ইন্দিয়া প্রোটেষ্ট হৌখ্রে।

সেফ ইন্দিয়া, সেফ মনিপুর হায়বা দাবীদা ঙসি ৱাকৎ মীফম চঙখিবা অদুগী মতাংদা আর.পি.আই (অথাৱালে) গী নেসনেল সেক্রেটরি-মহেশ্বর থৌনাওজমনা হায়-মনিপুরগী ইরাং অসিগী য়েংলগা অফবা খুৎলায় শিজিন্নদুনা লান্দারক্লিবশিংগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী মীয়াম পুন্না থেংনমীন্নবগী মতম ওইরে। ঙসিগী খোঙজং অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদগী লাকপা মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

অমরেমাদা, চহি অমা মখায় হেল্লবা মনিপুরগী ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকউ হায়বা দাবীদা ইন্দিয়া ব্লোক মনিপুরনা হয়েং দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা খোঙজং চংশিল্লগনি হায়রি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর পদেস কংগ্রেস কমিতিগী মচিন চৎপা মীশক-হরিশ্বর গোশ্বমিনা হায়-মনিপুরগী ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরকউ হায়বা দাবীদা ইন্দিয়া ব্লোক মনিপুরনা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী জন্তর মন্তরদা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শারকপা অদু মরী লৈনবশিংনা অয়াবা পীদবদগী য়ৈথোক্তুনা লাকপনি।

শ্রী গোশ্বামীনা হায়-অয়াবা পীরক্ত্রবসু হয়েং খোঙজং চংশিন্নবা ৱারেপ লৌরে। হয়েংগী খোঙজং অসিদা শরুক য়াগদবশিংগী মনুংদা রাজ্য অসিগী সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্র য়াওনা দলগী এম.এল.এ. মঙা অমদি এ.এ.পি, এ.আই.এফ.বি,

এ.আই.পি.সি., সি.পি.আই (এম), এন.সি.পি, আর.এস.পি, শিব সেনা (য়ু.বি.টি) গী মীহুৎশিং শরুক য়াগদৌরি।

**ইংবা (এল)ঃ** মনিপুরদা ইংবগী চাং হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা তপা তপা হেনজিল্লক্লি। ইম্ফাল য়াওনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা লৈচিল থারি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা হায়-নোনে জিলাদা অয়ুক্তা লৈচিল থাবনা মরম ওইদুনা লম্বীদা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা মায়োক রে। অয়ুক অমসুং নুমিদাংগী মতমদা মীয়ামনা কা হেন্না ইংবদগী ঙাকথোকবা মৈফু তিকরি।

**পেদিয়াত্রিক(এল)ঃ** পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন-মনিপুরনা শিনদুনা ২৮ শুবা মণিপেদিকোন-২০২৪ ঙসি লমফেলদা লৈবা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন (ইমা) গী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইনভাইরোনমেন্ট ইনফ্লুয়েন্সেস ওন চাইল্ড হেলথঃ এদ্রেসিং লোকেল চেলেঞ্জেস হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার ডা: এন. লোকেন্দ্র না হায়-লমদম অসিদা থোক্লিবা সমাজিক অমসুং শেল থুমগী ৱাথোক কয়ানা চহি নৌরিবা অঙাং অমদি নহাশিংদা চাউনা চৈথেং পীরি। ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিগী মতেংনা পীক্লিবা অঙাংশিং মশা মউ ফনা লৈনবা খন্ন-নৈনবনা চিংবা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিনা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-প্রোফেসার-সি.ঐচ. শ্যামসুন্দর, পেত্রোন-ডা: টি.ঐচ. নবাচন্দ্র, প্রোফেসার-এন. কামেশ্বর অমসুং ডা: এল. বসন্তনাচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**লাইব্রেরি (এল)ঃ** গ্লোবেল সেপ্পরস ইম্ফাল হবনা শিন্দুনা অনিসুবা মিনি লাইব্রেরি ঙসি শওম্বুং রিলিফ কেম্পতা হাংদোকখ্রে।

রিলিফ কেম্পশিংদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা অঙাংশিংদা লাইরিক পাবগী হৈনবী অমসুং মহৈ মশিংগী লমদম খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা গ্লোবেল সেপ্পরসনা অহানবা মিনি লাইব্রেরি অমসু শজিৰা রিলিফ কেম্পতা হাংদোকখ্রবা মতুংদা ঙসিগী অসিনা অনিশুবা ওইনা লাইব্রেরী অসি হাংদোকপনি। থৌরম অদুদা অঙাং ১০০ রোম য়াওনা মমা-মপাশিং অমদি গ্লোবেল সেফরস কম্ম্যুনিতি ইম্ফাল হফকী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবামগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারগী মীৎয়েং মখাদা জিলা অসিদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চয়োল খুদিংগী নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোক্কদবা লু-নানবগী খোঙজং অমা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা নীংথম থাগী চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মখা তানা য়েন্থোককি।

**মরু-মরাং (এল) ঃ** ময়াংলম্বম রামেশ্বর-এম.এল.এ, হোর্টিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জারভেসন-ককচিং অমসুং থৌবালগী দিষ্টিক্ট ওফিসারশিং অমদি অনৌবা মঙাল ফামরস প্রদ্যুসর কম্পানি লিমিটেদ-ককচিংগা খুৎশমদুনা ঙসি এম.এল.এগী য়ুমদা লৌমীশিংদা নীংথম মরু-মরাংশিং য়েন্থোকখ্রে।

**মৈ (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদনা কেন্দ্রগী পৱার মন্ত্রালয়গী ব্যুরো ওফ ইনর্জি ইফিসিয়েন্সিগা খুৎশমদুনা ইনর্জি কঞ্জার্ভেসন ৱিক ২০২৪ গী পালন থৌরম হয়েংদগী হৌরগনি। থৌরম অসিগী মনুংদা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাইয়েকপা, রচনা ইবা, ক্বিজ অমসুং দিবেট কম্পিতিসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

**প্রাইজ (এল)ঃ** থৌবাল ওক্রমদা লৈবা ইন্সটিট্যুট ফোর রিছার্স এন্দ দিবলপমেন্ট অলটরনেটিপ (আই.আর.দি.এ) প্রি প্রাইমারি মোন্তেশ্বরী রাইমস টিচরস ত্রেন্নিং সেন্টরগী মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংদা মনা য়েন্থোকপগী অহুমলকশুবা কনভোকেসনগী থৌরম ঙসি থৌবালদা লৈবা চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**কেম্প (এল)ঃ** অসাম রাইফলসকী সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা ঙসি নোনে জিলাগী তৌসাং টু ভিলেজতা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা মীওই ২২৯ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংনা শিংথানিংঙাই ওইনা চাউখৎলক্লিবা অসিবু নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা লন্থী থোংগী ফিভম ফগৎলকপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং দিজিটেল ইনক্লুজনগী লমদা ফগৎলক্লিবা অসিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা হায়-অস্তলক্সমি মহোতসব অসি অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংগী টেক্সতাইল, টুরিজম অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা খুৎশু হৈবগী থবকশিংবু উৎথোকবা অমদি হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা চথ্খরিবা নুমিৎ হুমনিগী মহোতসব অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং-অসাম, অরুনাচল প্রদেস, মেঘালয়া, মনিপুর, নাগালেন্দ, মিজোরাম, ত্রিপুরা অমসুং সিক্কিমগী তোঙান তোঙানবা ফজরবা মশক কয়া উৎলি। আর্টিসিয়ান ২৫০ হেন্না শরুক য়ারিবা মহোতসব অসিদা তোপ তোপ্পা মখলগী হেন্দিক্রাফটস, হেন্দলুম, এগ্রীকলচর অমসুং হোর্টিকলচরশিংগী পোৎলমশিং উৎলি। মহোতসব অসি ঙসি লোয়শিল্লগনি।

**অমিত ঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-বোর্ডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) না লৈবাক অসিগী ঙমখৈ পরিংশিং চহি ৬০ রোম অসি থৌনা ফনা অমসুং কৎথোকপগা লোয়ননা ঙাক শেন্দুনা লাক্লি।

ঙসিগী রাজস্থানগী জোধপুরদা পাঙথোকপা বি.এস.এফ. লিংখৎখিবগী চহি ৬০ শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ইং ১৯৬৫ দগী লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা ঙমখৈ পরিং ঙাকপদা বি.এস.এফনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়-ঙমখৈ ঙাকপগী থবক তৌবতা নত্তনা বি.এস.এফনা আইনা কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা, জালি নোট পুথোক পুশিন তৌবা অমসুং লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজন থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। লৈবাক অসিগী সেক্যুরিতিদা শিংনবা হেনগৎলক্লিবা অসি থেংনবদা বি.এস.এফকী মতেং য়াওদ্রবদি ঙমলোই। মরম অসিনা অহানবদা বটালিয়ন ২৫ খক্তমক লৈরম্বা বি.এস.এফ. হৌজিক্তি শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলে।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-বোর্ডর সেক্যুরিতিগী পোলিসি অসি চহি কয়া নীংথিনা লৈরমদে। অদুবু, মোদি সরকার লাকপদগী লম অসিদা চেকশিন্না থবক তৌবা হৌরকপনি। শ্রী অমিত সাহনা হায়-লৈবাক অসিগী ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গংশিংগী মীয়াম ইজৎ লৈনা হিংবা ঙমবা, থবক ফংনবা অমসুং খুদোংচাবা কয়া ফংহন্নবা পান্দমদা ভাইব্রেন্ট ভিলেজ স্কিম হৌদোক্লে। থৌরাং অসি চাংয়েং ওইনা খুঙ্গং লিাং অহুমলোমদা পায়খৎলি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা গৃহ মন্ত্রিনা জৱানশিংদা থোইদোক হেন্দোকপা সার্ভিসকীদমক গেলেন্টরি এৱার্ড অমসুং পুলিস সার্ভিস মেদলশিং পীখি।

**ম্যান্মার ঃ** ভারতনা ম্যান্মারদা চেং মেত্রিক টোন লিশিং ২,২০০ তেংবাং পীখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী

মচিন চৎপা মীশক-রনধির জেসৱালনা হায়-লৈবাক অসিগী এক ইষ্ট অমসুং য়ুমলোন্নবনা হান্না হায়বা পোলিসিগী মখাদা ম্যান্মারগী মীয়ামদা তেংবাং ওইনা চেংশিং অসি পীবনি। মহাকা হায়-ম্যন্মারদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ২০২৩ দা মীচম লিশিং ৫,০৫২ হেন্না অশোক অপন নংখি। শোক্লিবশিং অসিগী মনুংদা অঙাং চাদা ২০ হেন্না য়াওরি।

**জয়শঙ্কর** ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়রি- আমেরিকাগী দোল্লরগা চাংদমবা য়াবা অনৌবা শেল ময়েক পুথোকবগী থৌরাং অমত্তা পায়খৎপা লৈতে।

কটারগী কোনুংদা পাঙথোকপা দোহা ফোরমদা ৱা ঙাংবদা মহাকা হায়- ব্রিক্স লৈবাকশিংনা আমেরিকাগী দোল্লরবু মপাঙ্গল শোন্থহন্নবা হোৎননিংবগী অপান্বা লৈতে। ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- ৱাফম অসিগী মতাংদা ব্রিক্স লৈবাক পুম মক্কী ওইবা য়ান্নবা ৱাফম অমত্তসু লৈতে। আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি ওইনা খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা কম্মন করেন্সি অমা পুথোকবা থবক পায়খৎলক্লবদি চাদা চামাগী তরিফ চৎনহনগনি হায়না কিহল্লকখিবা চয়োল অমগী মতুংদা ডাঃ জয়শঙ্করনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

ডাঃ জয়শঙ্কর মানামা দাইলোগতা শরুক য়ানবগীদমক ঙরাং নুমিদাং মানামাদা থুংখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা মন্ত্রিনা লৈবাক কয়াগী লুচিংবশিংগসু ৱারী শান্নগনি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি হয়েং রাজস্থান অমসুং হরিয়ানাদা চৎকনি। মহাক্কী রাজস্থান খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রিনা রাইজিং রাজস্থান গ্লোবেল সমিট-২০২৪ গী ইগজিবিসন হৌদোক্কনি। মদুগী তুংদা, পনিপৎতা প্রধান মন্ত্রিনা বিমা শখি য়োজনা হৌদোক্কনি।

য়োজনা অসিগী মখাদা চহি ১৮ দগী ৭০ ফাওবদা লৈবা ক্লাস টেন পরিক্ষা

পাস তৌরবা নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীনবা থৌরাং কয়া য়াওরি। তুংদা, হরিয়ানাগী করনালদা লৈবা মহারানা প্রতাব হোর্টিকলচর য়ুনিভরসিতিগী মেন কেম্পস শানবগী যাত্রাসু হুনগনি। য়ুনিভরসিতি অসিগী মখাদা হোর্টিকলচরগী কলেজ অমা, হোর্টিকলচরগী তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিনশিং য়াওবা স্কুল মঙা লৈ।

**আর্মি ঃ** ভারত লান্মীগী ইষ্টর্ন কম্মান্দগী ত্রিশক্তি সেপরস এদভান্স ফ্লড মোনিটরিং সিষ্টেম (এ.এফ.এম.এস) হৌদোকখ্রে।

দিফেন্স অমসুং দিজাস্তর মেনেজমেন্টকী লমদা অনৌ অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা চাংদমবগী থৌরম-ইনো য়োধাদা অনৌবা সিষ্টেম অসি হৌদোকখিবনি।

সিক্কিমদা মমাং চহিদা থোকখিবা গ্লেসিয়েল লেক আউটব্রস্ত ফ্লডকী তুংদা ভারত লান্মীগী ইঞ্জিনিয়ার রেজিমেন্টকী কাংবুনা কটিং এজ টেকোলোজি শিজিন্নদুনা ঈশিংগী ইমায় য়েংশিন্নবা সিষ্টেম অসি পুথোকপনি। মসিদা মাইক্রো কন্ট্রোল্লর, য়ু.ভি. সেন্সর অমসুং জি.এস.এম. মোদ্যুল শিজিন্নদুনা ঈচাও থোক্ত্রিবঁগে মাংজোননা এল্লার্ট মেসেজ পীরক্কনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, ক্ষেত্রিময়ুম গঙ্গাদগী--**

**স্পোর্টস ঃ** নুপীগী জ‌্নিয়র হোক্কি এসিয়া কপতা ঙসি ভারতনা বঙ্গলাদেশকা ওমানগী মস্কাটতা থেংনগনি। তুরনামেন্ট অসিদা ভারতকী হোক্কি টিমনা পুল-এদা চিনা, বঙ্গলাদেশ, মালেসিয়া অমসুং থাইলেন্দগা লম্বা তৌনগনি।

তুরনামেন্ট অসিদগী খনগৎলবা মকোক থোংবা টিম মঙা মথং চহিদা চিল্লিদা পাঙথোক্কদবা এফ.আই.ঐচ জ‌্নিয়র ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাইদ ওইগনি।

**ব্‌শুঃ** দিসেম্বর অমদগী অহুম ফাওবা পঞ্জাবতা চথখিবা ২৪ শুবা সব জুনিয়ার নেসনেল ব্‌শু বোইস এন্দ গালর্স কম্পিটিসন ২০২৪ দা মনিপুরগী খাইদেম জেনিম সিংহনা সনাগী তকমান লৌরকখ্রে।

মহাক ককচিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবনি। মহাকা সনাগী তকমান লৌরকপদা রিলিফ কেম্প অসিগী মেনেজিং কমিতি অমদি মায়ামা তরামা ওকখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** চহি ১৯ গী মখাগী মেন্স এসিয়া কপ ক্রিকেট বঙ্গলাদেসনা লৌখ্রে।

দুবাই ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা বঙ্গলাদেসনা ভারতপু রন-৫৯ দা থোইখিবনি।।